# ৪৭ শুবা মহৈরোইশিংগী হঙ্গর মারর্চস দে পালন তৌখ্রে

# মনিপুরগী মহৈরোইশিং নীং-খা তম্না লাইরিক তম্বা ফংলিব্রা

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, আগষ্ট*** ২৭ ঃ মনিপুরগী মহৈরোইশিংগী ৪৭ লক শুবা হঙ্গর মারর্চস দে, চাকলাম খোঙচৎ ঙসি ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শিল্লগা মনিপুরগী মহৈরোই লিশিং কয়ানা শরুক য়ারদুনা নুমিৎ অসিবু পালন তৌখ্রে লোয়নননা মনিপুরগী মহৈরোইশিং হৌজিক নিং-খা তম্না লাইরিক তম্বা ফংলিবরা হায়না ফোংদোক্লখ্রে।

ইং কুমজা ১৯৫৬ গী আগষ্ট ২৭ তা মনিপুরগী মহৈরোই চা কয়ানা 'ঐখোয় চাক লাপ্লে চাক পীয়ু' হায়বা খোল্লাউগা লোয়নননা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোই অহুম অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিওদা মতম অদুদা থবক তৌরম্বা লময়ানবা অমগী খুভম পীশুম চিংঙা মচাদা মনিপুরগী মহৈরোইশিং অমদি লৈখিদ্রবা লময়ানবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংগী মীওইশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লৈখিদ্রবা লময়ানবশিংগী মফমদা ইকাই-খুম্নবা উৎখি লোয়নননা ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফিরাল এমসুগী প্রসিদেন্ট শুরেসনা চিংখৎখি।

মখা তারকপা ওইনা মনিপুরগী তোঙান-তোঙানবা স্কুল অমসুং ইন্সটিট্যুটশিংগী মহৈরোই লিশিং কয়ানা খোঙচৎ অমা পীশুম চিংঙা মচাদগী খোঙশালকখি। মহৈরোইশিংনা লোং লিব এমসু, মহৈরোইশিংগী হক কল্লু, মহৈরোইশিং লাইরিক নিংথিনা তম্বা ফংহল্লু হায়বা খোল্লাউ কয়া লাওখি। খোঙচৎ অদুনা খাগেমপলি লম্বীদা লাক্লগা কৈশামথোং ফাওরগা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশন তারগা ৱাহেং লৈকাই, নাগমপাল অমসুং খুয়াথোং ফাওরগা ধনমঞ্জুরি কলেজগী কেম্পসতা থুংলখি। মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মনিপুর য়ুনির্ভসিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী প্রোফেসর ডাঃ ইরোম গমভিরনা চিফ গেষ্ট এমসুগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুরেসনা প্রসিদেন্ট অমসুং এমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এল গোজেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

ঙসি মনিপুরগী মহৈরোইশিংনা চাকলাম খোঙচৎ পালন তৌরিবা অসি, মতম অদুদা মনিপুরগী চেং মপান লমদা অথিংবা অমত্তা লৈতনা পুখোকখিবদগী চেং ফংদদুনা চাক তাংবা থোক্তুনা সরকারগী মায়কৈদা চরাম চদৎনরবা মহৈরোইশিংনা থৌনা লিংজেল ফুদোক্তুনা মহৈরোইশিংগী হক পীয়ু, ঐখোয়গী চাক পীয়ু লাইরিক নিংথিনা তম্বা ফংহল্লু হায়না খোঙচৎ চৎখিবনি হায়না এমসুগী দিপক নিংথৌজম্না ফোংদোকখি।

মখা তানা মহাক্না ফোংদোকখিবা ৱাফমদা চরাম চদৎনরবা মহৈরোইশিংনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মনিপুর সরকারনা মহৈরোইশিংগী ৱাকৎ তাবীবগী মহুত্তা লাথি চার্জ তৌবা অমদি নোংমৈ কাপশিলকপদগী ওল ইন্দিয়া রেদিওদা থবক তৌবা কর্ম্মাচারি অমা য়াওনা মনিপুরগী মহৈরোই মরীগী থৱাই পীখম্নখিবনি। নুমিৎ অদুগী হেক নোংঙানবদা ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, এমসু শেমদুনা মহৈরোই খুন্নাইগী হক ফংননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি হায়খি।

ঙসিসু ইরমদম মনিপুর অসিদা মহৈরোইশিং নিং-তম্বা পুন্সি মহিংদা লাইরিক তম্বা ফংলিবরা। ইশাগী ইরমদম অসিদা মীপাল তাংদবা পুন্সি মহিং অমদা ঐখোয় লাইরিক তম্বা ফংদ্রি। মরম অদুনা মনিপুর সরকারনা লমদম অসিদা মতমগা চুন্নবা মহৈ লোয়শঙশিং লিংখৎপীদুনা মনিপুরগী মহৈরোইশিং মীপাল তাংদনা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু। ঙসিগী চাউখৎপগী লমজেলদা হিদান্নরবা মতম অসিদা মনিপুরদা মতমগা চুন্নবা মহৈ লোয়শঙশিং লিংখৎপীদ্রবদি করম্না মীমান্ননা চাউখৎপগী লমজেলদা শরুক য়াবা ঙমগনি। অমরোমদা মহৈরোই খুন্নাইবু চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা ঐখোয় পুন্না চঙশিনমীন্নরসি হায়নসু ফোংদোকখি।

থৌরমগী চিফ গেষ্ট ডাঃ গমভিরনা হায়খি, মনিপুরগী হৌজিক লৈরিবা মীওইশিং অসি পুকচেল শেংনা থবক তৌবা য়াম্না দরকার ওইরে। সার্টিফিকেট নত্রগা দিগ্রি খক্তা পাম্বা ক্বালিটি লৈতবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লে। মসিনা মরম ওইরগা মীওইবগী হিংবগী মহাও অসি অকে-অমৌদা তাওদুনা লৈনরে। মনিপুর সমাজ অসি মোরেল য়াওশিলক্তবা সমাজ অমা ওইরক্লে। এদুকেসনগী লমদা মনিপুরদা লৈরিবা ফম্ন াইবশিংনা মচা-মশুনা মপান্দা থাদোক্তুনা লাইরিক তমহল্লগা মনিপুরদনা মচা-মশুশিং অদুগী পৈশা থানবা শেন্দানফম ওইদুনা লৈরে। মসিগী মহুত্তা লমদম অসিদা এদুকেসন্দা তোঙানবা পোলিসি শেমদুনা এদুকেসন সিষ্টেম চাউখৎনবা হোৎনফম থোকই হায়খি।

এমসুগী প্রসিদেন্ট সুরেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফমদা মনিপুরগী মহৈরোই খুন্নাই অসি ভারতকী লুচিংবশিংনা করম্বা মীৎয়েংদ য়েংলিবগে হায়বদু হন্দক মনিপুরদা লাক্লম্বা কর্ণাটকাগী দিপুটি চিফ মিনিষ্টর আর কুমারনা মনিপুরগী মহৈরোইশিংগা উনবা য়াখিদবা অসিনা তাকচরে। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না চঙশিনমীন্নদুনা তুংগী মহৈরোই খুন্নাইগী য়াইফনবা হোৎনমীন্নশি হায়না অপিল তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুপী সমাজগী সেক্রেটরি জেনেরেল ইমা রমনিনা মনিপুর অসি সরকারনা তৌনিংবতা তৌবা মাইওন লৈতবা লমদম অমা ওইরে। মরম অদুনা ঐখোয় লমদম অসিদগী মাঙখিগদবদগী কলহৌনবা পুন্না থবক তৌম্মীন্নবা মতম ওইরে হায়খি। সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট আর কে রনেন্দ্রজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফমদা হৌজিক ঐখোয়গী আইদেন্টিতি ঙাক্নবা কুপ্না খন্ন-নৈনবগী মতম ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুদা ৪৭ শুবা হঙ্গরস মারর্চ দে ওবর্জাবেসন ২০১২ হায়বা সোভেনর অমসু ফোংখি।

ঙসি ৪৭ শুব হঙ্গর মারসস দে অসি এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতি জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওদিটরিয়মদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা চাকলাম খোঙচৎতা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ক্লব, মৈরা পাইবী, ওর্গেনাইজেসনশিং য়াওনা মহৈরোই কয়ানা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লৈখিদ্রবশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু জিরিবাম হায়র সেকেন্দরিদগী হৌরগা এদিসিগী গেটফাওবা চৎখি।